# নিখাট জরীন, সর্জুবালা, য়াইস্না চনুনা নেসনল ৱিমেন'স বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ্তা মায় পাকখ্রে





হরিদ্বার, নবেম্বর ২০ : হান্নগী ৱর্ল্ড জুনিয়র চেম্পিয়ন নিখাট জরীননা মফম অসিগী রিজার্ভ পুলিস লাইন হোলদা থাংজ নুমিৎতগী চখবা হৌখ্রবা নেসনল ৱিমেন'স বোক্সিং চেম্পিয়নশিপকী অহৌবা নুমিৎতা রাজানি সিংহবু ৩-০ দা মায়থীবা পীদুনা প্রী-ক্বার্টর ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখ্রে।

চহী অসিগী মে থাদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াখিবা অমদি মদুগী ওলেম্পিক ক্বালিফাইয়িং ইভেন্ট অদুদা ক্বার্টর ফাইনেলদা লৈহৌখিবা নিখাটনা রাজানিবু মায়থীবা পীনবা হোৎনবদা অৱাবা খরদি মায়োক্লখি। হায়দ্রবাদকী নুপীমচা অসিনা মহাক্কী দিফেন্সিপকী হৈথোই-শিংথোইবা অদু শিজিন্নদুনা রাজানিগী পঞ্চশিং নক্মৎখি অমদি মখা তারকপদা ফজরবা পঞ্চশিং ওপোন্টেকী মায়োক্তা পীখিদুনা অহানবা রাউন্দ অদু মায় পাকখি। মখা তারকপা রাউন্দদা নিখাট জরীনগী মায়োক্তা উত্তর প্রদেশকী নুপীমচা অসিনা অকনবা চেল্লেঞ্জ তৌরকখ্রবসু নিখাটনা অনৌবা লাল্লোং শিজিন্নরক্তুনা রাজানিবু য়েৎ অমদি ওইগী পঞ্চশিংনা মনম-মনম নোৎশিনখিদুনা মায়থীবা পীখি।

নিখাটনা মেচ লোইরবা মতুং হায়খি, ঐগী পার্ফোর্মেন্সতা থোইদোক্লা অপেনবা ওইখিদে। ঐনা ৱার্ম-অপ নিংথিনা তৌখিদবনা অশোনবা মফমশিং লৈখি। ঐগী ওপোনেন্টনা পঞ্চশিং পীরকখিবা অদু থিংনবা হোৎনবদা অরুবা ওইখি হায়না ফোঙদোকখি।

কেচি ৪৮ গী বাউটতা রেলৱেজগী রাজেশ নরৱালনা অরুনাচল প্রদেশকী রাইভেল সিটা দেবীদগী ৱাইল্ড ওইবরা পঞ্চশিং অঙকপা ফংনা মায়োক্লখ্রবসু বাউট অদু ৩-০ দা মায় পাকখি। রেলৱেজগী বোক্সরনা কেনভাসতা কয়ারক হন্না তুখ্রবসু মহাক্লা মতুং তারকপদা ফজরবা পঞ্চশিং ওপোনেন্টতা নোৎশিনখিদুনা বাউট অদু লৌবা ঙমখি।

কেজি ৪৮ গী কাঙলুপ্তা এক্সপরিয়েন্স লৈরবা সানাসরি ৱ্রামহানা হিমাচল প্রদেশকী পুজিলিষ্ট পাল্লাভিগী মখুৎতা ৩-০ দা মায়থীহৌখি।

ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা মণিপুরগী বোক্সর সরজুবালা দেবী অমদি ভানলাল দুয়াটিনা মখোয় মখোয়গী বাউটশিং অদু টেক্নিকেল নোক আউটতা মায় পাক্তুনা মথং রাউন্দ চঙখি। সরজুবালা দেবীনা মেঘালয়গী ইভা মারারানিয়াংবু টেক্নিকেল নোক আউটতা মায়থীবা পীখি।

কেজি ৫১ গী কাঙলুপ্তা মণিপুরগী য়াইস্না চনুনা চত্তিসগরগী আভা সিংহবু ২-১ দা মায়থীবা পীখি।

# ওলেম্পিক সিলভর মেদলিষ্ট পি ভি সিন্ধুনা চিনা ওপনগী টাইটল লৌখ্রে



ফুজৌ (চিনা), নবেম্বর ২০ : ওলেম্পিক সিলভর মেদলিষ্ট পি ভি সিন্ধুনা মফম অসিদা চথরিবা য়ু এস দি ৭০০,০০০ চিনা ওপন টুর্ণামেন্টকী নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা চিনাগী সুন য়ুবু মায়থীবা পীদুনা মহাক্কী লেমজনিংঙাই ওইরবা সুপর সেরিজ প্রেমিয়রগী টাইটল লৌখ্রে।

রিও ওলেম্পিক্স গেমসতা অহানবা সিলভর মেদল লৌবা ইন্দিয়াগী নুপী ওইখিবদগী লৈবাক অসিগী টোপ্ট ওইখ্রবী সিন্ধুনা মহাক্কী মায় পাকপগী খোঙজং অদু মখা তানা চঙশিনখিদুনা সুনবু ২১-১১, ১৭-২১, ২১-১১ দা পুং অমগা মিনিট মাপন চঙনা শান্নখিবা অদুদা মায়থীবা পীখি।

ৱর্ল্ড নম্বর ১১ সিন্ধুনা সুনগা মায়োক্লদুনা শান্নখিবদা ২-৩ দা রেকোর্দ ওইনা মায় পাক্লা কৃক-কৃক ইন্ননা চৎলিবনি। হাইক্সিয়া ওলেম্পিক স্পোর্টস সেন্টরদা চথখিবা মেচ অদুদা সিন্ধুনা অঙনবা মতমদা ১১-৫ দা ফীভম ফনা মাঙজিল থাখি। মশা খিং-খিং লাউবা অমদি মিৎয়েং থৌবা ইন্দিয়ন অসিনা মহাক্কী ওপোনেন্টপু য়াম্না লাকচনা তৌখি। মহাক্ল। অহানবা গেমদা গেম পোইন্ট ১২ লৌখিদুনা ২০-৮ দা অমুক মাঙজিল থাখি। সিন্ধুনা ফোরহেন্দ অমদি বেকহেন্দদা অনীরক শাফু কন্না য়ৈখিবা অমদি দ্রোপ তৌখিবদা নেটতা পানখিদুনা সুননা পোইন্ট অহুম সেভ তৌবা ঙমখি।

অনীশুবা গেমদা সিন্ধুনা ৬-৩ দা অমুকসু মাঙজিল থানা চৎখি অমদি মখা তনা ১১-৭ ত অমদি ১৪-১০ দা লৈখি। অদুবু সুনা সিন্ধুগী মায়োক্তা নিংথিনা খুৎ হনখিদুনা ১৪-১৪ দা চাং মান্ননা লৈখি। সিন্ধুনা ওপোনেন্টনা তৌরকখিবা এটেকশিং মতীং থোক্লা পাউখুম হনখিদুনা ১৮-১৬ তা মাঙজিল থানা লৈখি অমদি ১৯-১৬ তা অমুক হন্না ফীভম ফনা লৈখ্রবসু ইন্দিয়ন অসিনা মতীং থোক্লা শান্নরকপা ঙমখিদবদগী ১৭-২১ দা সুনগী মখুৎতা মায়থীখি। অরোইবা অমদি অহুমশুবা গেমসদদি সিন্ধুনা মতীং থোক্লা শান্নরকখিদুনা সুনবু ২১-১১ দা মায়থীবা পীখি।

সাইনা নেহৱালনা কুমজা ২০১৪ দা পাঙথোকখিবা চিনা ওপনগী টাইটল লৌখি অদুগা মমাঙ চহীদনা রন্নরস-অপ তাখি।

সিন্ধুনা মমাঙ চহীদা পাঙথোকখিবা দেনমার্ক ওপনগী ফাইনেল চঙবা ঙমখি অদুবু ফাইনেলদা কুমজা ২০১২ গী ওলেম্পিক চেম্পিয়ন চিনাগী লি জুরৈগী মখুৎতা ষ্ট্রেট গেমসদা মায়থীহৌখিবনি।

পনবা য়াই, থাংজ নুমিৎতা পাঙথোকখিবা ওপন অসিগী সেমী ফাইনেল মেচতা পি ভি সিন্ধুনা কোরিয়াগী সুঙ জি হয়ুনবু মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখিবনি। তরেৎশুবা সীদ সিন্ধুনা তরুকশুবা সীদেদ জি হয়ুনবু ১১-২১, ২৩-২১, ২১-১৯ দা পুং অমগা মিনিট ২২ চুপ্পা শান্নখিবা মেচ অদুদা মায়থীবা পীখি।

সিন্ধুনা জি হয়ুনবু মাপল্লক মায়োক্লদুনা শান্নখিবদা মায়থীবা পীখিবা নোংমাইজিং নুমিৎকী মেচ অসি থারগা তরুক্লকশুবসু ওইখি।

# হোকি ইন্দিয়া লীগকী ওক্সন চথখ্রে

## গুরবাজ সিংহ, খৃষ্টোফর রুহরনা মমল খ্বাইদগী তাঙবা প্লেয়র ওইখ্রে

ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ২০ : লাক্লিবা মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা হোকি ইন্দিয়া লীগ (ঐচ আই এল) ২০১৭ কী পাঙথোকখিবা প্লেয়র ওক্সনদা হৌখিবা চহী অমরোম দিসিপ্লিনরি ইস্যুগা মরী লৈননা নেসনল টিমদগী লৌথোক্লুরবা এক্সপরিয়েন্স লৈরবা মিদফিল্ডর গুরবাজ সিংহনা মমল খ্বাইদগী তাঙবা প্লেয়র ওইনা রপ্তি রেজনা লৌখ্রে।



ওক্সন অদুদা গুরবাজবু কুমজা ২০১৫ গী লীগ চেম্পিয়ন্স রাঞ্চি রেজনা য়ু এস দোল্লর ৯৯.০০০ দা লৈখি। বেলজিয়মগী এন্টৱেপতা পাঙথোকখিবা হোকি ৱর্ল্ড লীগকী সেমী ফাইনেল চথরিঙৈ মনুংদা গুরবাজনা টিম মনুংদা গ্রুপিজম শাগৎতা অমদি অমগা অমগা নুংশিনহন্দনবা হোৎনখি হায়বা মরালদা হোকি ইন্দিয়ানা মহাকপু কুমজা ২০১৫ গী ওগষ্ট থাদগী হৌরগা থা মাপন অথিংবা থমখি।

ফোরেন প্লেয়রশিংগী মনুংদা জর্মনগী ফোরৱার্দ খৃষ্টোফর রুহরবু রাঞ্চি রেজনা য়ু এস দোল্লর ৭৫,০০০ দা লৈখিদুনা মপান লৈবাক্কী প্লেয়রশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী মমল য়াম্বা প্লেয়র ওইখি। অতোপ্পা মমিং লৈরবা প্লেয়রশিংগী মনুংদা টোপ ক্রেগপু কলিঙ্গা লেঞ্চর্সনা, রোবার্ট ভান দর হোর্ষ্টপু জেপী পঞ্জাব ৱারিয়র্সনা অমদি সেভে ভান ত্রসপু উত্তর প্রদেশ ৱিজার্দসনা লৌখি।

অতোপ্পা নহা ওইনা মমিং লৈরবা প্লেয়রশিংগী মরক্তা শমশের সিংহ অমদি অজয় যাদভপু উত্তর প্রদেশ ৱিজার্দসনা লৌখি। অদুগা ইন্দিয়াগী অন্দর-১৭ কী এসিয়া কপকী ৱিন্নিং কেপ্টেন নিলম সঞ্জিপ এক্সেসপু কলিঙ্গা লেঞ্চর্সনা লৌখি।

হোকি ইন্দিয়া লীগ (ঐচ আই এল) ২০১৭ তা শরুক য়াগদৌরিবা ফ্রেঞ্চাইজ তরুক্লা মখোয় মখোয়গী টিমশিং মশক থোকপা অমমম ওইহন্নবা মখোয়গী অপাম্বা প্লেয়রশিং লৌনখি। লীগ অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা ফ্রেঞ্চাইজ তরুক অদুদি দবঙ মুম্বাই, মুম্বাই ৱেভরাইদরস, জে পি পঞ্জাব ৱারিয়র্স, কলিঙ্গা লেঞ্চর্স, রাঞ্চি রেজ অমদি উত্তর প্রদেশ রিজাদর্সনি।

অয়াম্বা ফ্রেঞ্চাইজশিংনা নহা ওইরিবা প্লেয়রশিংদা থাজবা থম্বগা লোয়ননা মশাগী চহী ১৮ শুরবা দিফেন্দর হার্দিক সিংহবু জে পি পঞ্জাব ৱারিয়র্সনা য়ু এস দোল্লর ৩৯,০০০ দা লৌখি।

লীগ অসিগী রুল মতুং ইন্না টিম খুদিংমক্লা শান্নরোয়শিং লৌবদা য়ু এস দোল্লর ৭২৫,০০০ চাদিং তৌবগী অয়াবা পীরি। রাঞ্চি রেজ অমদি জে পি পঞ্জাব ৱারিয়র্সতি মখোয় মখোয়গী টিমশিং অপীকপ শেনফমদা থমখিবদগী বিদিং প্রোসেস অদুদা অচৌবা শেনফম চাদিং তৌবগী খুদোংচাবা ফংখি।

বিদতা য়াওখিবা মমিং লৈরবা শান্নরোয় খরদি ইন্দিয়াগী গোলকিপর সুশান্ত টির্কি, নেদরলেন্দসকী ইন্টরনেসনেল জেপ ষ্টোকমেন, মিঙ্ক ভান দর ৱির্দেন অমদি অর্জেন্টিনাগী ওলেম্পিক গোল মেদলিষ্ট লুকাস রোজিনি।

চথখিবা ওক্সন প্রোসেসকী মতাংদা ইন্টরনেসনেল হোকি ফেদরেসনগী নৌনা খনখ্রবা প্রসিদেন্ট অমদি হোকি ইন্দিয়া লীগ (আই এস এল) কী চ্যেরমেন নরিন্দর বট্রানা হায়খি, ইন্দিয়া হোকিনা রেঙ্কিংদা মফম হায়গৎলকখিবদা হোকি ইন্দিয়া লীগ (আই এস এল) না লৌরিবা থৌদাং অদু অহানবদা ঐনা মীয়ামদা খঙহনবা পাম্মী। লীগ অসিগী প্রোফেস্নেলিজমগী মওং অসি হায়নিংঙাই লৈতনা শিংথানিংঙাই ওই অমদি মসিগী ক্রেদিট পুম্নমক ফ্রেঞ্চাইজশিং অসিনা ফংজগদবনি। হন্দক্কী চথখিবা বিদ অসিদা প্লেয়রশিংগী মতীক মথৌনা অদু খঙনা মখোয়গী অপাম্বশিং ফংবা ঙম্লে। মখোয়না অনেম্বা শেনফমদগী অচৌবা শেনফম ফাওবদা হুন্দুনা লৌখি। মসিনা প্লেয়রশিংবু খ্বাইদগী মরু ওইবা অমদি হৈ শিংবা অদু খঙবা ঙম্লে। লীগ অসি য়াম্না মগুণ লৈনা অমদি অকনবা লম্বানদুনা চথবদু উরগনি হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, ২০১৭ হোকি ইন্দিয়া লীগ (ঐচ আই এল) তা জে এস দব্লিয়ু ষ্টিল গ্রুপকী বেঙ্গলোর ফ্রেঞ্চাইজনা তরেৎশুবা টিম ওইনা শরুক য়ারগনি হায়না ঐচ আই এলগী চ্যেরমেন নরিন্দর বট্রানা ফোঙদোকখ্রে।

হোখিবা কুমজা ২০১৩ দগী হৌরকখিবা লীগ অসিদা টিম তরুক্লা শরুক য়াদুনা লাকখি। অদুবু বেঙ্গলুরুনা লীগ অসিদা য়াওনবা ৱারেপ লৌখিবদগী লীগ অসি হেন্না থাক ৱাংখৎলকখিবদা নত্তনা অহানবা ওইনা লৈবাক অসিগী খা থংবা শরুক্তসু লীগ অসিগী ঈথিল পীবা ঙম্লগনি।

নরিন্দর বট্রানা হায়খি, কুমজা ২০১৮ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ঐচ আই এলদা বেঙ্গলুরুনা অনৌবা টিম অমা ওইনা শরুক য়ারগনি। মসিগী মতাংদা জিন্দাল ষ্টিলগা ৱারী শানখি অমদি লীগ অসিদা মখোয়সু শরুক য়ানবা অয়াবা পীখি হায়না ফোঙদোকখি।

লীগ অসিনা হেক হৌরকপদগী দিল্লি, মুম্বাই, চান্দিগড়, লক্ষনৌ, রাঞ্চি অমদি ভুবনেশ্বরদগী ফ্রেঞ্চাইজ তরুক্লা শরুক য়াদুনা লাক্লি।

মহাক্লা হায়খি, ঐহাক্লা হোকি ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট ওইরিঙৈদা ঐচ আই এলগা মান্নবা নুপীগী তোঙানবা লীগ অমা পাঙথোকপা পাম্লমখি। অদুবু মদু থবক ওইনা উথোকপদি ঙমখিদে। মদুমক্লা ঐঙোন্দা নুংঙাইতবা অমদি অদুমক লৈখি হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

# জুনিয়র ৱর্ল্ড কপ হোকিগী ইন্দিয়ন স্কাদ লাউথোকখ্রে

## টিমদা মণিপুরগী ভিক্রমজিৎ সিংহ, সান্তা সিংহ, নিলকান্তা শর্ম্মা য়াওরে

বেঙ্গলুরু, নবেম্বর ২০ : ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা মথং থা দিসেম্বরদা লক্ষনৌদা পাঙথোক্কদৌরিবা জুনিয়র ৱর্ল্ড কপ হোকিদা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী হৈথোই-শিংথোইরবা মেম্বর ১৮ না শাবা স্কাদ অমা হোকি ইন্দিয়ানা হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা লাউথোকখ্রে।



মফম অসিগী স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (সাই) দা পাউগী এজেন্সি অমগা উনবদা হোকি ইন্দিয়াগী হায় পার্ফোর্মেন্সকী দিরেক্টর রোলেন্ট ওল্টমান্সনা হায়খি, ঐখোয়গী ফোরৱার্দশিং মিদ ফিল্ডদা শান্নবা ঙম্বা অমদি মিদফিল্ডরশিং দিফেন্সতা শান্নবা ঙম্বশিং লৈরে। সুমিট অমদি মণিপুরগী সান্তা সিংহ মিদ ফিল্ডদসু শান্নবা ঙম্মী। নঙনা মতম পুম্নমক্তা 'প্লান বি' অমা মথৌ তাই হায়না ফোঙদোকখি।

কোচ হরেন্দ্রা সিংহনা হায়, কোর গ্রুপ ২৫ দগী প্লেয়র তরেৎ লৌথোকপা হায়বসি অরাইবা থৌওং অমা নত্তে। ঐখোয়না চেকশিল্লক্লবা মতমদা তোঙান-তোঙানবা রোল লৌদুনা শান্নবা ঙম্বা প্লেয়র অদুদা মিৎয়েং থম্মী। বস অসিদা অতোপ্পশিংদি য়াওবা ঙমদ্রে। মখোয় তরেৎমক মরাইবক থিবনি। স্পোর্ট অসি য়াম্না ক্রুয়েল ওই হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মহাক্লা হায়, ঐখোয়না কোর গ্রুপ ২৫ অসিগা হৌখিবা কুমজা ২০১৪ দগী পুন্না লৈমিন্নরক্লে। মসি য়াম্না শাংবা অমদি মশক থোক্লবা জর্নি অমনি। ঐখোয়না মখোয় তরেৎকা পার্সনেল ওইনা ৱারী শান্নরে। ঐখোয়না মখোয়বু করিগী খন্দবনো হায়বদু শন্দোক্লা হায়দুনা খঙহনখ্রে হায়খি।

হরমনপ্রীট সিংহ, হরজীট সিংহ, মন্দীপ সিংহ অমদি গোলকিপর ভিকাস দাহিয়া অসি সেনিয়র সাইদতা য়াওরবা এক্সপরিয়েন্স লৈরবা প্লেয়র মরিনি। মখোয় মরিগী মনুংদা অনী অমদি ওলেম্পিক্সতা য়াওখ্রে। মখোয় প্রেসর মখাদা শান্নগনি হায়না ওল্টমান্সনা হায়খি।

সেনিয়র টিমগী ষ্ট্রেটিজিক কোচ রোজর ভান গেন্টনা টুর্ণামেন্টতা জুনিয়র টিমগী এনালিষ্টকী থৌ পুগনি। দটচমেন অসিনা জুনিয়র টিমবু য়াম্না থাজবা মিৎয়েং অমদা থম্লি। মহাক্লা জুনিয়র টিমবু অহেনবা এক্সপরিয়েন্স পীনবা থৌরাং তৌরিবনি।

ইন্দিয়ানা কুমজা ২০০১ দা জুনিয়র ৱর্ল্ড কপ অমুক্তমক মায় পাকখ্রে। ইন্দিয়াগী জুনিয়র টিমনা ওষ্ট্রেলিয়ন হোকি লীগ (ফোর্থ) তা মশক থোকপা পার্ফোর্মেন্স পীবা ঙমখ্রে অমদি ভেলেন্সিয়াদা পাঙথোকখিবা ফোর নেসন্স টুর্ণামেন্টকী ৱিন্নর ওইখ্রবা ইন্দিয়ন জুনিয়র টিমগীদমক ফীভম ইচঙ থৌনা ফোঙদোকপা তৌখিদে।

নঙনা স্পোর্টতা খ্বাইদগী ফবা রিজল্ট পাল্লবসু মদু গরেন্টি পীবদি ঙমদে। মসি ঐখোয়গীদা নত্তে, টিম তরামঙাগী সুনি হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়ন জুনিয়র স্কাদতা য়াওরবা প্লেয়রশিং অদুদি হরজীট সিংহ, ভিকাস দাহিয়া, কৃষ্ণন পাথক, দিপসান টির্কি, হরমনপ্রীট সিংহ, ভারুন কুমার, ভিক্রমজিৎ সিংহ, গুরিন্দর সিংহ, সান্তা সিংহ, নিলাকান্তা শর্ম্মা, মনপ্রীট, সুমিট, পার্ভিন্দর সিংহ, গুরজান্ট সিংহ, অর্মান ক্বেরেশি, সন্দীপ সিংহ, অজিৎ কুমার পান্দে অমদি সিমরাঞ্জিট সিংহনি।

ষ্টেন্দবাইদা হার্দিক সিংহ অমদি সুমিট কুমারনি।


HOUSIE BUMPER DRAW

IN AID OF FUND DRIVE

"WOMEN WELFARE ASSOCIATION" SINGJAMEI

TODAY

DATE : 21st November, 2016 (Monday)

TIME : 4.00 PM

1st HOUSEFULL - HONDA ACTIVA 3G

2nd HOUSEFULL - HONDA ACTIVA 3G

3rd HOUSEFULL - HONDA ACTIVA 3G

4th HOUSEFULL - HONDA ACTIVA 3G

All LINES - ₹ 2000/- EACH

N.B.: 16th November da khudong chadaba Kharadagi yeithokchakhibadu ngashi date 21st Nov. 2016 sida sungsoi soidana sanajaragani.



Ticket Rate ₹ 500/-

1ST MINI BUMPER
TICKET RATE: RS. 300/-
HOUSEFULL: 1 lakh

2ND MINI BUMPER
TICKET RATE: RS. 100/-
HOUSEFULL: FLAT TV

HL-P/10575/21

VENUE : KAKWA NAOREM LEIKAI, SOFA LEIRAK

ADVANCED COACHING INSTITUTE Regd. No.-729

Only25 Seats per class(each section)

Nagamapal Lamabam Leikai near RIMS Road

Max. no. of selection every year in min. no. of intakes

REGULAR MEDICAL COURSE (2017)

ENGINEERING (2017) FOUNDATION

COHSEM — The Largest,Trusted&Premier Coaching Institute,Imphal in both Sc.&Arts — CBSE

Sc. & ARTS | ADMISSION OPEN FOR REVISION COURSE X & XII | TIME 4.40-7.40AM 4.40-7.40PM | ARTS & Sc.

Class xii Sc./Arts(COSEM) from 7th Nov ,10th Nov.

Class xii Sc./Arts(CBSE) from 27th Oct,3rd Nov

Class x-SA II from 27th Oct,3rd Nov

Foundation course for class ix,x started from 8th ,15th Dec

only 50 seats for two sections , Remaining few seats- Last date :23rd November.

Fee concession for merit students, ex-students,OBCs,ST,SC,distance students

Separated boys,girls hostel,van servicelibrary facility #7308911167/9862992105

Time: 9.30am-1.30pm 12.30pm-4.30pm

TOP-10 PRODUCTION CENTRE

HURRY! Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Near Hueiyen Lanpao Press

ADMISSION OPEN

1. Special Foundation Course for Class-IX & X (BOSEM)
Duration : 4 months Fee : Rs. 10,500/- (all subject)
Timing : 4:40 am. - 8:00 am. (For Class - IX) & 4:10 pm. - 8:20 pm. (For Class - X)

2. Special Revision Course for Class-X (BOSEM)
Duration : 2 months Fee : Rs. 5,500/- (all subject)
Timing : 9:00 am. - 2:00 pm. 3:00 pm. - 8:00 pm.

First Come First Serve

Subjects : English, Maths, Sc., S.Sc., Man
Class starts : 8th December, 2016
Last date : 3rd December, 2016

25 Students per batch

Minimum fee with instalment basis
Every student can choose subjects seperately.

- Conducted by well qualified 20 yrs. experienced Teachers and Examiners.
- Suggestion for HSLC Exam 2017.
- Chapter wise Assessment, free study materials.
- Previous Year questions analysis.
- Regular Mock Test on every sunday.

VAN SERVICE AVAILABLE

HL-P/3490/21-27 Nov.

For more details, Pliz call ☎ 8794523940 / 9615049496

ANGELS' COACHING CENTRE

URIPOK POLEM LEIKAI

THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY

ADMISSION OPEN - REVISION COURSE FOR CLASS X Starts: 5th Dec. 2016 Time : 11 am - 4 pm

Foundation Course for Class I to X Starts: 15th Dec. 2016 Limited Seat

HL-B/3446/4/11-3/12

TOPPERS of 2016



1st Position Sohana Laishram Nirmalabas H/S
2nd Position Naorem Suzanna Nirmalabas H/S
3rd Position M. Vasundhara Little Flower H/S
8th Position Wosoron C Tiny Tots
9th Position Sindia A Nirmalabas H/S
10th Position Yaisana A Nirmalabas H/S
10th Position Chetanna RK Nirmalabas H/S
11th Position Selina K Nirmalabas H/S
12th Position Malemnganbi Kh Little Flower H/S
12th Position Joyson Haokip Heritage
14 Position Jessica L
15 Position Tanya G
16 Position Ningthem H
20 Position Eunice Y
21st Position Th. Krishnakant
22nd Position Sylvest K
23rd Position Reeturani L
23rd Position K. Ghanapyari
24th Position Themson Saka
25th Position Taibanganbi Kh



TOPPERS of 2015: 2nd Position . Gopal Krishna; 3rd Position Ng. Victoria; 4th Position S.Shivaranjani; 7th Position RK. Babysana; 9th Position Ksh. Monica
11th Position Thangminlal H.; 20th Position Bilson Oinam; 21st Position Gita E.
21st Position S. Saya Devi; 22nd Position N. Nonibala; 23rd Position Jasmine H.

TOPPERS of 2014: 3rd Position Luhiya Ng.; 6th Position Neera S.; 9th Position Khoneesh N.; 9th Position Harison Y.
12th Position KAILASH KUMAR N.; 13th Position L. DENILSON; 16th Position KH. PRAVIN; 18th Position BONNIE W.
20th Position KELVIN M.; 21st Position MALEMNGANBA; 23rd Position INDERKUMAR

TOPPERS of 2013: 1st Position Miranda M.; 3rd Position Ratimanjuri; 5th Position Miranda O; 6th Position Sydeny Th.
14th Position VIVEK A.; 15th Position REMA N.; 16th Position SADA SALAM; 16th Position CHITRA KH.
22nd Position BIDYALUXMI; 24th Position JAYALUXMI; 24th Position PRESCILA RK.

SUBJECT TOPPERS 2016
Mathematics: 1) Chetanna 2) Vasundhara 3) Sindia 4) Sohana 4) Wosoron 5) Yaisana
Hr. Mathematics: 1) Ningthem 2) Sohana 3) Wosoron 4) Yaisana
Computer Sc.: 1) Chetanna 2) Jyotsana
Manipuri: 1) Sohana
El. Manipuri: 1) Wosoron

BOARDING FOR BOYS & GIRLS

VAN SERVICE AVAILABLE

9856988840
9402897710
8732022342

HL-B/3471/21-29 N, 2-30 D, 1-15 Jan. '17 (Alt.)